**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 19-09.2024)**

**আইইদি(এল)ঃ** ভারত লান্মী অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী বোংজাং অমসুং ইথম ভিলেজতা পোকখায়বা য়াবা মচাক কয়া ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউনা হায়-ভারত লান্মী অমদি মনিপুর পুলিসকী অপুনবা কাংবু অমনা অককবা পাউ অমা ফংবদগী মফম অদুদা থিবা হুন্নবগী থবক চথ্খবদা কিলোগ্রাম ২৮ হেন্না লুন্বা আই.ই.দি. তরেৎ ফাগৎপা ঙমখি। মসিনা মীয়ামদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লক্কদবদগী কনবা ঙমলে। নীংশিংবা য়াই, চহি অসিগী জ্লাই ২০ দসু কিলোগ্রাম ৩৩ লুন্বা আই.ই.দি. ৮ ইম্ফাল ইষ্টকী সৈজাং ইফমদা ফাগৎপা ঙমখ্রবনি।

**অমরোমদা,** অসাম রাইফলসনা চান্দেল জিলাগী গনজিল অমসুং বোর্ডর পিল্লর ৪৮ অমসুং ৪৯ দা থিবা হুন্নবগী থবক চথ্খবদা খুৎলায়শিং ফাগৎপা ঙমলে।

অসাম রাইফলসকী চেরোল অমনা হায়-ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদুগী মনুংদা পিষ্টোল অমা, গ্রেনেদ অমা, পোম্পী বোম অহুম, নোংমৈ মরুনচিংবশিং য়াওরি। ফাগৎলবা খুৎলায়শিং অদু মনিপুর পুলিসতা খুৎশিন্নখ্রে।

**কার্ফিয়ু (এল)ঃ** মনিপুর তম্পাক্কী জিলাশিং-ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমসুং বিষ্ণুপুরদা হয়েংগী ওইনা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কার্ফিয়ু কোমথোক্কনি।

মসিগী মতাংদা মরি লৈনবা দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেটশিংনা চেরোলশিং থোকখ্রে।

**জিরিবাম (এল)ঃ** নেসনেল হায়ৱে ৩৭, ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ

পুবা গাড়ি ১০৭ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল তম
া পুথোরকখ্রে।

ঐখোয়গী জিরিবাম পাউমী-ঙাথেম বিশ্বজিৎনা হায়-গাড়িশিং অদুগী মনুংদা থাউ পুবা গাড়ি ৬১ অমদি নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪৬ য়াওরি।

**ককৱা (এল)ঃ** ইম্ফাল ৱেষ্টকী ককৱাদগী লৈখিদ্রবা নাওরেম ওংবি সঞ্জিতাগী অরোইবা মথৌ মঙম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

পনবা য়াবদি, জে.এ.সিগা ঙরাং মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেনগা উনদুনা য়ানবা পুরক্লবা মতুং লৈখিদ্রবী সঞ্জিতাগী হকচাং পোষ্ট মোর্টেম তৌরবা মতুংদা ঙসি অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকখিবনি হায়রি।

**বেম্বু (এল) ঃ** ঙসি অসি ৱার্ল্ড বেম্বু ডেনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি-'নেক্স জেনরেসন বেম্বু-সোলুসন ইনোভেসন এন্দ দিজাইন্দ' হায়বসিনি।

নুমিৎ অসি মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী দিপার্টমেন্ট ওফ ফোরেষ্ট্রি, ইনটেক মনিপুর চেপ্তর অমসুং অপুনবা ইমাগী মচাশিং (এইমস) না পুন্না শিন্দুনা মনিপুর য়ুনিভরসিতিদা পাঙথোকখ্রে।

**জেনিমস (এল) ঃ** ইম্ফালগী জেনিমস হোস্পিতালদা মথৌ তৌরিবা ষ্টাফশিংদা পেসেন্ট পার্টিগী মীওইশিংনা খুৎ থারম্বগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙসি জেনিমস হোস্পিতালগী কমপ্লেক্সতা ৱাকৎ মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অসি রেসিদেন্ট ডাক্তরস এসোসিয়েসন অমদি জেনিমস ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসননা অনিনা পুন্না শিনবনি। অসিগুম্বা থৌওংশিং মখা তানা থোকহনবীদনবসু ৱাকৎ মীফম ফন্লিবশিংনা আপিল তৌরি।

**উ (এল) ঃ** বি.জে.পি. মনিপুর প্রদেসকী মাইনোরিতি মোর্চানা শিনদুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী লিলোং বজারদা উ চারা কয়া থাখ্রে। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. উশম দেবেন, বি.জে.পিগী ষ্টেট জেনরেল সেক্রেটরি-কে. সরতকুমার, ষ্টেট মাইনোরিতি মোর্চাগী প্রসিদেন্ট অমদি অতৈ মেম্বরশিংনা শরুক য়াখি।

**ফুডঃ** মালেমগী লৈবাক ৯০ না শরুক য়াদুনা ৱার্ল্ড ফুদ ইন্দিয়া ২০২৪ ঙসিদগী নিউ দিল্লিগী ভারত মান্দপমদা হৌখ্রে।

নুমিৎ মরীনি চথুগদবা থৌরম অসিদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিং অমদি রাজ্য অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরি ২৬ না শরুক য়ারি। হৌদোকপগী থৌরমদা ফুড প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজ মন্ত্রি-চিরাগ পাসৱান, ফুড এন্দ পাব্লিক দিষ্ট্রিব্যুসন মন্ত্রি-প্রহ্লাদ জোসি অমসুং ফুড প্রোসেসিং ইন্দষ্ট্রিজগী রাজ্য মন্ত্রি-রভনিত সিংহ বিত্তু শরুক য়াখি।

চহি অসিগী ওইনা ৱার্ল্ড ফুড ইন্দিয়াগী মপাং লৈবাক, জপান অমদি ভিয়েটনামনা ওইরি। অদুগা লম অসিদা অহেনবা মীৎয়েং থল্লিবা লৈবাকা-ইরাননা ওইরি।

**য়োজনাঃ** এন.দি.এ. সরকারগী অহুমশুবা টার্মগী অহানবা নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পেট্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রালয়না তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌরে।

মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়-সরকারনা শেমদোক্লবা পি.এম-জি-ভন য়োজনা পায়খৎনবা অয়াবা পীখ্রে। স্কিম অসিনা লৌমীশিংগী শেন্থোক হেনগৎহনবগা লোয়ননা অকোইবগী ফিভম ফগৎহনবা ঙমগনি। মসিনা মীয়ামদা থবক ফংহনবগা লোয়ননা মরোমদোম লেপচবা লৈবাক অমা ওইহনবা ঙমগনি।

**থৌবাল (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি টি.বি. মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা থৌবাল

জিলাগী টি.বিনা নাবা মীওই মঙাদা মখোয়না লায়েংবা লোইদ্রিবা ফাওবগী চান-থকবা পোৎলমশিং-নিকসে মিত্রা, দোন্নর ওইরিবা মীওইশিংনা খুৎশিন্নখ্রে। জিলা অসিগা দি.সি. কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরমদা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অহন্থেম সুভাস অমদি অতৈ দোন্নর অহুমনা মখোয়না এদোপ তৌগদবা মীওই মঙা অদুদা পোৎলমশিং অদু য়েন্থোকখিবনি।

থৌরম অদুদা জিলা অসিগী এসিষ্টেন্ট দিপ্যুতি কম্মিস্নার-অরবিন হংলেম, চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: ৱাই. নোকুল সিংহ, দিষ্ট্রিক্ট টি.বি. ওফিসার-ডা: ৱাই. শামিম অমদি দিষ্ট্রিক্ট কো-ওর্দিনেটর থৌবাল-থোঙাম ষ্টেফি শরুক য়াখি।

**ককচিং (এল)ঃ** লৈবাক শিনবা থুংনা চত্থরিবা স্বার্চতা হি-সেভাগী শরুক অমা ওইনা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা অমরুট টু পোইন্ট জিরো প্রোজেক্টকী মখাদা ককচিং ৱাইরি সলাম লৈকাইদা লৈরিবা সলাম পুখ্রি অচৌবদা উ-চারা থাবা অমসুং লম তু শেংবগী থবক চত্থখ্রে।

থৌরম অদুদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়ারপার্সন, কেয়ার টেক্কর কাউন্সিল্লরশিং অমসুং লমদম অদোমদা লৈরিবা মীওইশিং শরুক য়াখি।

সেনাপতি জিলাদসু স্বার্চতা হি-সেভাগী কেম্পেইন জিলা অসিগী এ.দি.সি. কনফরেন্স হোলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা জিলা অসিগী দিভিজনেল ফোরেষ্ট ওফিসার-সংঙম এস., এ.দি.সি. আরধারি মারতিও অমসুং অখঙ-অহৈশিং অমদি জিলা অসিগী মীওইশিং শরুক য়াখি।

নোনে জিলাদসু নুমিৎ হুমনি চুপা চত্থরকপা স্বার্চতা হি সেভাগী কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি সেন্ট জোসেপ স্কুলদা লাই য়েকপা চাংদম বা অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি ইগজকিটিব ইঞ্জিনিয়ার পি.ঐচ.ই.দিগা জোনেল এদুকেসন ওফিসার অমসুং সি.এস.ওশিংগা পুন্না শিনবনি।

**কোসেম (এল)ঃ** কাউন্সিল ওফ হায়র সেকেন্দরি ইজকেসন মণিপুর (কোসেম)

না লৌবা হায়র সেকেন্দরি একজামিনেসন ২০২১ গী ওরিজিনেল সার্তিফিকেট হয়েংদগী লৌবা য়ারগনি।

কোসেমগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-২০২১ গী ইম্প্রুভমেন্ট একজামিনেসনগী য়াওনা ওরিজিনেল সার্তিফিকেটশিং অসি মহৈ লোইশঙশিংগী হেদ নত্রগা মহাকা ওথোরাইজ তৌরবা মীওইশিংনা কাউন্সিলদা লাক্লগা লৌবা য়াগনি। মদুদা মীওই অদুগী আই.দি. কার্দ অমদি আধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

**অমিত**ঃ কেন্দ্রগী কোরপোরেসন মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-কোরপোরেটিবকী খুথাংদা সরকার অসিনা খুঙ্গংগী মীওইশিংদা খুদোংচাবা কয়া পীরগনি। ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা জাতি থাক্কী মীফমদা ৱাফম অসি শ্রী অমিত সাহনা ফোংদোকখিবনি।

মীফম অদুদা কোরপোরেসন মন্ত্রালয়না নুমিৎ ১০০ নিগী মনুংদা পায়খৎখিবা থবক থৌরম কয়াসু মীয়ামদা ফোংদোকখি। মহাকা তোঙান তোঙানবা স্কিম কয়াসু হৌদোকখি। এন.দি.এ. সরকার অসিনা কোরপোরেসন মন্ত্রালয় মপুং ফানা লিংখৎতুনা খুঙ্গং অমসুং জিলাশিংদা কোরপোরেসনগী থবকশিং অমুক হন্না হিংগৎহনবা ঙমহল্লে। মসিনা খুঙ্গংগী লমদমদা হেন্না খুদোংচাবা পীবা ঙমহল্লগনি।

**রাস্ত্রপতি**ঃ রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-মধ্য প্রদেসকী উজেনদা চহি চা কয়াদগী হৌনা নাৎ অমসুং চৎনবীশিং ঙাক্ত্না থল্লি। উজেনদা ঙসি পাঙথোকপা সফাই মিত্রা সমেলনদা ৱাফম অসি রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখিবনি।

লেন্দ তরুক লৈগদবা উজেন-ইন্দোর হায়ৱেগী ভুমি পুজাসু রাস্ত্রপতি-দ্রৌপতি মুরমুনা ভরচুয়েল ওইনা পাঙথোকখি। রাস্ত্রপতিনা হায়-হৌখিবা চহি তরা অসিদা স্বার্চতা অভিয়ানগী কেম্পেইন লৈবাক শিনবা থুংনা পাঙথোকখি।

মসিনা লৈবাক অসিদা অওনবা কয়া পুরকপা ঙমখি।

মধ্য প্রদেসকী সহর কয়াবু সফাই মিত্রা সেফ সিটি ওইনা লাউথোরকপদা রাস্ত্রপতিনা নুংঙাইবা ফোংদোক্লি। স্বার্চতা ভারত মীসনগী অনিশুবা তাঙ্কক ইং ২০২৫ ফাওবা চথগনি। মসিনা লৈবাক অসিবু মপুং ফানা লু-নান্না থম্বা ঙমগনি।

**পিএমঃ** জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভা মীখলগী অনিশুবা তাঙ্কক্তা শ্রীনগরদা লৈরিবা মীয়ামনা রেকোর্ড ওইনা ভোট থাদবীনবা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা আপিল তৌরি।

শ্রীনগরদা ঙসি পাঙথোকপা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী মোদিনা হায়-ঙরাং পাঙথোকখিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা লমদম অদুগী মশিং য়াল্লবা মীয়ামনা থোরক্তুনা ভোট থাদখিবা অসি অনৌবা ইতিহাস অমনি। অকি-অখঙ য়াওদনা ভোটরশিংনা জম্মু কাশ্মিরদা অহানবা ওইনা ঙরাং ভোট থাদনখি।

মরক অসিদা, জম্মু অমসুং কাশ্মির বিধান সভাগী অনিশুবা তাঙ্কক্কী মীখলদগীদমক ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তাঙ্কক অসিদা বিধান সভা কেন্দ্র ২৬ তা থা অসিগী ২৫ দা মীখল পাঙথোক্কনি। মীখল অসিগীদমক্তা তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দল কয়াগী স্তার কেম্পেইন্নর কয়ানা ঙমজবী থাদুনা ভোটরশিংগী পুকিং চিংশিন্নবা হোৎনরি।

**হরিয়ানাঃ** মথং থাগী মঙাদা পাঙথোক্কদবা হরিয়ানা বিধান সভা মীখলগীদমক বি.জে.পিনা সংক্লপ পাত্রা, দল অসিগী প্রসিদেন্ট-জে.পি. নদ্দানা ঙসি ফোংখ্রে।

সংক্লপ পাত্রা অসিদা-রাজ্য অসিগী নহা লাখ অনিদা সরকারগী থবক পীবা, লাদো লক্সমি য়োজনাগী মখাদা শোত্থরবা নুপীশিংদা থা অমদা লুপা লিশিং ২,১০০, হর ঘর গ্রিহিনি য়োজনাগী মখাদা য়ুমথোং খুদিংদা চাক থোংননবা সিলিন্দর অমদা লুপা ৫০০ দা ফংহনবা, ও.বি.সি. অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট

মহৈরোইশিংনা সরকারগী মেদিকেল কলেজ অমসুং ইঞ্জিনিয়ারিং কলেজতা মিং চনবদা স্কোলারসিপ পীবনচিংবা য়াওরি।

**দিল্লিঃ** আম আদমি পার্টিগী লুচিংবী-অতিসি মারলে, দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা লাক্লিবা থাংজ নুমিতা ৱাশক লৌগরনি। অতিসি মারলেনা দিল্লিগী অহুমশুকপা নুপী মুখ্য মন্ত্রি ওইরগনি। মহাক হান্না দিল্লিগী শিক্ষা মন্ত্রি ওইরম্মী।

মহাকপু উপ রাজ্যপাল-ভি.কে. শক্সেনানা ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি, নুমিৎ হুমনিগী আমেরিকা খোঙচৎ থা অসিগী ২১ দগী হৌরগনি। মহাক্কী খোঙচৎ মনংদা ৱিলমিংটনদা পাঙথোক্কদবা মরিশুবা ক্বাট লিদরস মীফমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

ভারতকী ফোরেন সেক্রেটরি-বিক্রম মিশ্রিনা হায়-প্রধান মন্ত্রিনা থা অসিগী ২১ দা ৱিলমিংটনদা পাঙথোক্কদবা তরুকশুবা ক্বাট মীফমদা শরুক য়াগনি। থা অসিগী ২৩ দা ন্যু য়োর্ককী য়ুনাইটেদ নেসন্স জেনরেল এসেমব্লি সমিট ওফ দা ফ্যুচরদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি ৱা ঙাংগনি।

প্রধান মন্ত্রিনা ন্যু য়োর্কতা লৈরিবা ভারত মচাশিংগসু উন্নগনি। লোয়ননা আমেরিকাদা বেজ তৌবা কম্পানিশিংগী সি.ই.ওশিংগসু উন্নদুনা লৈবাক অনিনা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**এম-পোক্সঃ** কেরলাগী হকশেল মন্ত্রি-বিনা জোর্সনা হায়রি-রাজ্য অসিদা মংকি পোক্স পোজিটিব ওইবা কেস অনি থেংনরে। মীওই অনি অসি য়ুনাইটেদ অরাব ইমরেটতগী ভারত্তা লাকপনি। মীওইশিং অসি হৌজিক হৌজিক মঞ্জেল্লি মেদিকেল কলেজ হোস্পিতালদা লায়েংলি।

মসিগী য়েংলগা রাজ্য অসিগী ইয়ারপোর্টশিংদা চেকশিন থৌরাংশিং

লৌখৎপা হৌরে।

**সিবিএসই ঃ** সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন (সি.বি.এস.ই)গী ওইনা ইং ২০২৫ গী বোর্দকী পরিক্ষা থাগদবা ক্লাস নাইন অমসুং এলেভেনগী মহৈরোইশিংগী রেজিষ্ট্রেসন হৌখ্রে হায়রি। বোর্দ অসিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংহন্না রেজিষ্ট্রেসন তৌবগী অরোইবা মতম মথং থাগী ১৬ ফাওবনি।

সি.বি.এস.ইদা এফিলিয়েট তৌবা স্কুলশিংনা সি.বি.এস.ই দোট গোভ দোট ইন-দা মহৈরোইশিংনা রেজিষ্টর তৌবা য়ারগনি। পাউ অদুনা মখা তানা হায়-চে চাং শুনা পীখৎলকপা মহৈরোই খক্তমক ২০২৫ গী ক্লাস টেন অমসুং তুয়েল্বকী পরিক্ষা থাবা য়াগনি। লোয়ননা স্কুলশিংনা মহৈরোইশিংগী মরী লৈনবা অকুপ্পা মরোলশিং পীশিন্দ্রিঙৈদা পোর্তেল অসিদা হান্না রেজিষ্টর তৌগদবনি হায়রি।

**লেবানন** ঃ লেবাননদা হৌখিবা নুমিৎ নিনি অসিদা থোকখিবা বোম পোকখায়বগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২ শিরে। মীওই লিশিং হেনবনা অশোক অপন নংলে হায়রি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা জোরদানগী ফোরেন মন্ত্রি-এমন সফাদিনা ইজরেলবু মরাল শিখ্রে।